# মপু মহাক্কী থৌশিলদা ঐখোয়না ৱারৌফম থোক্তে..(মাইয়োন)



মালেম অসিদা লৈরিবা থৱায় পানবা জিবশিংনা মচা ওইবশিং গীদমক ৱাজরি। থৱায় পানবা জিবশিংগী মনুংদা মীওইবা হায়সিসু অমনি। অদুবু অতৈ থৱায় পানবা জিবশিংগা মীওইবা হায়বসিগা খেৎনবা অমনা মীওইবা হায়বসিনা শাগৈ মুত্তনবা হোৎনবদা মমিত্তা মচা উবা ফঙদ্রবী য়ুমগী মৌ ওইরিবিশিংগী মফমদা চৈথেং কয়া ফঙদুনা লাকপনা মপু মহাক্কী মফমদা ৱারৌনরি। মতৌ করম্না মখোয়গী মীৎলুগী পিরাংবু মুত্থৎপা য়াগদগে হায়বগী মতাংদা শাগৎলিবা ফিল্মনি 'মাইয়োন'।

মীওইবা খুদিংমক মংলান অমগী মখাদা হিংনরিবা ঙাক্তনি। মংলান অদু ফঙহৌদ্রবসু মতুং তারকপশিংদা মং ফাওনরক্লবা হোৎনবা ঙাক্তনি। মদুদা ফাওবা মায় পাকপা ঙমদ্রবদা মপু মাগী মফমদা ৱারৌনৈ। তাইবং মপু মহাক্কী খুৎশেমদি কনানসু খঙবা ঙমবা নত্তেদো। পোক্লুবনা মীওই মপোক্তা থেংনবা তাবনি অৱা নুঙাইগী খোঙচৎ। পেন্থোকপসু হৈবা তাবনি। পুম্নমক পুন্সিরোলনি হায়রি। সোসিয়েল ইশুদা যুম্ফম ওইরগা ফেমিলি প্লে ওইনা শান্নবা কমল ফিল্ম প্রদক্সনগী মখাদা এল সুর্জকান্তা শর্ম্মনা দিরেক্সন পীবা নৌনা মীয়ামদা খুদোল তম্লগদবা মণিপুরী ফিল্ম



## সুর মৈতৈ

'মাইয়োন' না।

মমা-মপা ওইবশিংনা মচা ওইবশিংবু অফবা মী অমমম ওইনবা হোৎনবশিনা মখোয়গী পান্দমনি। নাওবী (রোজি) অমদি মহাক্কী মচে বেমবেম (রেসমি) অনীবু মমা (ধনমঞ্জুরি) মপা (নরেন্দ্র নিঙোম্বা) অনীনা মী অমমম ওইদবা য়াদে হায়দুনা মহৈগী লমদা অৱাৎপা অমত্ত লৈহদনা য়াম্না চেকশিন্না শেন্নরকখি। অদুবু বেমবেম থাজদবা মীকুপ অমদা মমা-মপাগী ফিজিদগী নন্থোকখিদুনা অতোপ্পা শাগৈদা পালেপফম ওইখি। বেমবেমগী হাক্তক্তা নিংবা কায়খ্রবসু নাওবীদি শোইহনবা য়াদে হায়দুনা কুপ্না শেন্নদুনা হেন্না চেকশিনখি। মোবাইল ফোন ফাওবা পায়হনখিদে। মতমগী ইরাংদগী লাপ্না থমলবসু মতমগী খোঙচৎ কনানসু থিংবদি ঙমদে হায়বদুনি। মপু মহাক্কী থৌশিলনা নাওবীগী পুন্সি খোঙচৎতা পারি (বোনি) কৌবা পখঙ অমগা থেংনদুনা নুংশি লম্বীদা খোঙদামিন্নরকখি।

পারি, লৈমা (মোম্বী) অমদি ফকচাও (কুমারজিৎ) অনীগী অমত্তা পোকচবা মচানি। শঙ্গনা ফরবদি অতোংবদা লেপ্পি, ফৎত্রগনা অকুৎপদা তাই হায়বগুম পারি মহাক্কী শঙ্গনা মরম ওইরগা নিষা চাবা মীশক অমা হায়বদু ওইরক্তুনা অকুৎপা মফমদা মখোঙনা তোংনা কুমথবা হৌরকখি। মহাক্কী চক্রিদা মমা-মপা করিনুংগী ইচানুপা পোকচরুবনো হায়না চিনদা শোঞ্জবগী ফিভম অদু য়ৌরকখি। গারী অমা লৈবিয়ু হায়বা য়াদবগীদমক নহারোল য়াওরনি হায়দুনা য়ুম থাদোক্তুনা চৎখি। অদুবু য়াওল্লোই ওইরিবশিংনা লৈরিবা, হিংলিবা মহিং অদুদা লৈবা ঙমদদুনা পারি পার্টিদগী চেন্থোরকখি।



নাওবী পারিগা নুংশিনজবীনি হায়রগসু মমা-মপাগী অনীংবা অপাম্বা খঙবনা য়ুম্বান লম্বীদা খোঙদাগদবা মতম ৱাৎলি হায়না খঞ্জখি। অদুবু পারিনা নমদুনা নাওবীবু চেনখি। পারিগী নত্তবা লমচৎ করিনো হায়বা নাওবীনদি খঙখিদে। মৈদা ঘী হৈজিন্নগুম থোক্লবা অশাওবনা খম থেংনা য়ৌখ্রবা নাওবীগী মপানা নাওবীবু য়ুমদগী ইন্থোকখি। নাওবীবু মমা-মপানা ইন্থোক্লবদা পারিগী মমা-মপানা চাওনা নুপা ময়ুমদা লুহোংখি। নাওবীবু পারিনা য়াম্না লুনা তৌজবতা নত্তনা মনেম মকুনসু য়াম্না লুনাসু তৌবীখি।

মতম খরগী মতুংদা নাওবীবু মপামদা লৌখৎনবা থৌরাংখি। মতম মদু নাওবী মীরোলদুনা থা শুরক্লবা মতমনি। পারিনা মতম খরা য়াওরুবা পার্টি অদুগী থবক থৌরম খরদা অকায়বা লাকপদা পুম্নমক পারিনানী হায়দুনা পারিবু ফাদুনা পুখি। নোংমরক্তা মপুরোইববু ফদুনা পুখিবা মাইকৈ অদোমদা নাওবীনা ইন্নখি। চীংগী অঙম্বা অশোংবা লম্বীদা নাওবীগী মবুক মনুংদা লৈরিবা থৱায় অদু তাইবং মালেমদা খোঙদারকখি। মচা অদুবু পমখৎতুনা চীংগী অনানবা লম্বীদা খোঙদারুবদগী নন্থুবদা কোত্ত্রা য়ৈখিদুনা মীমান্নদবা হায়বদু ওইখি। নাওবী চীংমীশিংনা খুদাবা মফম অমদা অঙাওবী অমগুম থুংলকখি। মীরোল তাদ্রবী নাওবী মচাবুদি লুনা তৌজে।





নাকল অমরোমদা ইনাক-কৈরাক খুল্লবা মঙাল (সদানন্দা) অমদি মহাক্কী নুপী থাজ (বিজু) অনী মমিত্তা মচা উবা ফঙদনা মতম শাংনা লৈমিন্নরকখি। নিংথৌসু মৈতাল ৱাৎলি হায়বদুনি। শাগৈ মুৎপা তারে হায়দুনা ৱাজবী মঙালগী মমা (নোনিবালা) না মমৌ অতোপ্পা অমা পন্নকখি। থাজ মনেমগী অনিংবদুদা থৱাই নুংঙাইতনা লৈরিঙৈ মপুরোইবনা অতোপ্পা নুপী অমগা মরী লৈন্নরকপদগী অচাকপা মৈদা ঘী হৈজিনবগা চপ মান্নখি। থাজ মনেমগী অপাম্বা অমদি মপুরোইবগী লমচৎ শেমদোকপা হায়বসি তঙাই ফদনা অঙাং অমা মথৌ তাই হায়না খল্লদুনা ওর্ফানদা অমদি হোস্পিটালদা চত্তুনা য়োকপা য়াবা অঙাং থিবা হৌরকখি। মদুদগী হেন্দোক্তুনা মহাক্কী অপোকপী মমা (হেমাবটি) গা তান্নখি। নোংমা মমা'না কৈথেল কাবা মতমদা অপীকপা মচা চেনবী অঙাওবী নুপী অমগী ৱারি তারক্তুনা থাজ মমা-মচা অঙাওবী অদুগী খোঙ্গুল লিরকখি। মখা তাবা কনানা করি থোক্লগদবা ? পারিগী পুন্সিনা কদোমদা ? নাওবীগী খোঙচৎনা কদাইদা? মঙালগী ফিরেপ্পা করি ? থাজগী পান্দম্না কমদৌহৌবা ?

কমলনাপ্রদুসর ওইবা, বি রোজিগী স্টোরি, স্ক্রিনপ্লে, দাইলোগ অমদি লিরিক্সতা পুথোক্লক্লদৌরিবা 'মাইয়োন' হায়রিবা মণিপুরীরি ফিল্ম অসিদা বোনি শর্ম্মা, সদানন্দা, নরেন্দ্র নিঙোম্বা, লোকেন, রোজি, বিজু, থোইথোই, হেমাবটি অমদি ধনমঞ্জুরিনচিংবা মশক নাইরবা মীওই কয়ানা শরুক য়ারি। কেমেরাদা এম সুরচন্দ, শিঙ্গরদা পুস্পরাণি, মুজিক্তা এৱোয়, মেক-অপ্তা প্রিয়া অমদি এসঐচ শঙ্গিতা, কষ্ট্যুমদা মিনাক্সিনি।

হায়রিবা ফিল্ম অসি নম্বোল অমদি ইম্ফালগী মফম অয়াম্বদা নম্বা ফিল্ম অমা ওইরি। চাদা ৮৫ শেম শাবা লোইশিল্লক্লবা ফিল্ম অসি নিঙোল চাক্কৌবদা মীয়ামগী মীৎমাংদা পুথোক্লবা পান্দম থম্লিবা ফিল্ম অমনি।

1

**LOAN AVAILABLE**

1. Vehicle loan (2wheeler/3wheeler/4wheeler etc….)
2. Business loan [Rs.10,000 to Rs.10 Lakhs (12% P.A)]
3. Self Help Group (S.H.G) loan [Rs.10,000 to Rs.10 Lakhs (12% P.A)]
4. Pension loan (1.5%,2%,2.5%&3% P.M)
5. AGRICULTURE EQUIPMENT, FISH FARM EQUIPMENT.
6. Electronics loan(T.V,Laptop,Xerox Machine,Washing Machine,etc...)
7. Machinery loan(Flex machine,Iron soldering machine,Water pump...)

Please contact:- L.G. MOTORS
& Development Organisation For Socio-Economic in Rural Area(DOFSIRA)
Office Hour: 10.00am-04:00pm
KHAGEMPALLI HUIDROM LEIKAI(H.Q),IMPHAL
Branches:- SEKMAI KOUJENGLEIMA,KAKCHING opp. P.S,THOUBAL OKRAM, SAMUROU NEAR MACHU HALL,NAMBOL LAMBAN,MOIRANG PATLOU.

Printed and Published by Waikhom Meghachandra Singh on behalf of Nongpok Publishers Pvt.Ltd from Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Editor: H. Achouba Sharma, Jt. Editor: N. Krishnamohon Singh RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, *e-mail : sanaleibakdaily@yahoo.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com*